থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# মীতোপ-মীরান অমদি মীখল



ঙসিদগী মণিপুরগী লৈরক খুল্লক্তা মীতোপ চঙবা থিংলগনি ... মণিপুরগী মহৈরোয় লুপ অমনা লাউথোকখিবা ৱাফম অমা, ঙরাংগী (সেপ্তেম্বর ২১, ২০১৭) পাউচে খরগী ইস্যুদা ফোঙবা থেংনখি। অথিংবা অসি ওক্তোবর ৭ তা পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুরগী পঞ্চায়ত ইলেক্সন অসিদা মীরেপ ওইরিবা, লমদম অসিগী য়েলহৌমী নত্তবা মীওই খরা য়াওরিবা অসি মশানা খঙনা সেপ্তেম্বর ২০ ফাওবগী মনুংদা মশানা মীরেপ ওইবা তোক্লে হায়না লাউথোক্কদবনি, নৎত্রবদি থা অসিগী ২২ দগী মীতোপশিংগী মায়োক্তা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন (কে এস এ) কৌবা লুপ অমনা লাউথোকখিবা অদুগী মখা চথুরকপা ওইরমগনি। ঐখোয় পূম্নমক্না খঙই - মতম কয়াগী মমাংদগী মণিপুরগী মরুওইবা (অচৌবা) লল্লোন-ইতিক্কী থবক্তি মীতোপ-মীরান (মীয়ান) চাশিংনা তৌদুনা লাকই। মণিপুরগী শেল-থুমগী খুর্জি মখোয়না পায়রকই। ঙসিসু পায়রি। তুংদসু পায়খিগনি। শুনিংদবা হায়গদ্রা, শুফম-নোমফম লৈতবা হায়গদ্রা, খুৎনা শুবা (মেন্যুঅল লেবর) গী থবকসিসু লমদমসিগী মীয়াম্না পাম্না তৌনিংদে। থবক শুবা মীতোপশিংগী মশীং লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলকপনা লমদমসিদা মীতোপ-মীরান মশীংগা য়েলহৌমীগী মশীংগা - অনীগী খল কায়রকই। চহী তরা খুদিংগী মীকোক মশীং থীবদা হেনগৎলল্লিবা মীতোপ মশীং লাংতক্লিংঙায় ওইরকই। মীশিং য়াম্লমখিদ্রবা অপীকপা ষ্টেট অসিদা পোপ্যুলেসন এক্সপ্লোজন (কা হেন্না মীশিং হেনগৎপা) গী ৱাথোক থোক্লক্লিবা নৈননিংঙাই ওইরকই। মদু থিংবা তারকই। মরমদি, হেনগৎলক্লিবা মীশিংসি য়েলহৌমীগী মশীংদা নত্তে। খাঙতপ্তা চঙলকপা মীতোপশিংগী মশীংনি।

মরুওইবা ৱাফমলোমদা লাকচগে। ঙসিগী নহারোল (মহৈরোয়) না ৱাজরিবসি লমদমসিগী ইলেক্তোরেল কোলেজদা মীতোপশিংগী মশীং মীপাইনিংঙাই ওইনা হেনগৎলকপা অমদি মীতোপ্না মীয়ামগী মীহুৎ ওইখৎলকপা অসিনি। মখোয়না ঈহৈ হৌরিবা মরন্নাই ইন্তরেষ্টতা নত্তে লৈপাক মীয়ামগী ইন্তরেষ্টতনি। হৌজিক নৈননিংঙাই ওইরিবদি চঙশিল্লিবা খোঙজং মওং অসিনি। আই এল পিগী তমথীবা/শাথীবা খোঙজংদুগী এক্সপরিয়েন্স - মীয়ামগী নীংশিং-লামায়দা ফোঙ-ফোঙ শারি, বিহারগী পপ্পু য়াদবনা ত্রেন্দগী মৈতৈ মচা খন্দোকপগী পাউনা ঈহৌদুগী এন্তি-ক্লাইমেক্স ওইখিবনি। মীতোপ মীয়ানচাশিং খুল্লক-ইরক চঙবা য়ারোই হায়বদা লাক্লোইদৌরিবসি মরুওইনা বিহারি লেবরনা অয়াম্বনি। ঈহৌসিনা কনশিল্লকপগা অকনবা চৈথেঙ ফংদৌরিবসু বিহারি কম্মুনিতিনি। অদুবু, মীখলদা মীরেপ ওইরক্তুনা পোলিতিকল থ্রেৎ পীরক্লিবদি অতোপ্পা কম্যুনিতি অমনি। কাপথোকখ্রিবা নাউরী মরুদু পানফম থোকপা তার্গেৎতদি পান্দনা অতোপ্পা তার্গেৎতা পানখিগদ্রা? ৱাজরুবনি থম্মোয়সিনা। মীয়ামগী মীহুৎ খন্দুনা লৈঙাক থৌদা পুহনবগী থবকসি -দেমোক্রেসি চৎপা লৈপাক অমদদি পুন্সি শিন্থা পূম্নমক্তগী খ্বাইদই মরূওইবা অমা ওইনা লৌফম থোকপনি। মরমদি, মমাংঙৈ হায়নরম্বা ...'ঐবু লোইবা লৈমাবা' ... হায়বা, ঈশ্বরমক্কী ঙমথঙ ওইবনি হায়দুনা 'লৈকোয় মপু' হায়নসু মীংগৌনরম্বা 'নিংথৌ'দুগী অনৌবা শায়োন-মিনিষ্টর/চীফ মিনিষ্টর/প্রাইম মিনিষ্টর- মীখল (ইলেক্সন) দুনা খনবনি। মীখল ময়া য়ৌরকপদা, পাল্লিবা লৈঙাক্তুদগী ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা হেন্না শক্তি লৈবনি। শক্তিদুনা পীরিবনি 'চহী মঙা লৈপাক ঙাক্লবা' অতোপ্পা শক্তি অমা মীহুত্তুদা।

শক্তি অদু শিন্নদৌরিবা লৈপাকসিগী মীয়াম্নি। মরম অদুনা, শক্তি অদু মশক খঙলবা, মশাগীচহী ১৮ শুরবা লৈপাকসিগী মীয়াম, লৈপাকসিগী লৈনীংবা মফমদা লৈরসু মহাক মশাগী ভোৎ থাদবা য়াবগী হক অদুদি মাঙহনবা য়াদে। ইলেক্সন লাকপা খুদিংগী ভোত্তর (ইলেক্তর) শিংবু ৱাখল তাহন্নবা, ঈ সী আইনা অঙম্বা পাম্বে শীজিন্নদুনা ভোত্তর-ইদ্যুকেসন-প্রোগ্রাম পাঙথোকই। অকনবা ইন্সত্রক্সন অমা ষ্টেট ইলেক্সন ওফিসরশিংদা পী ...'নো ভোত্তর সুদ বি লেফ এসাইদ'... (ভোত্তর অমত্তা ভোৎ থাদবা ফঙদবা য়াওহল্লোইদবনি)। পান্দম অসি ফঙনবা, ১৯৬০ দা 'রেজিষ্ট্রেসন ওফ ইলেক্তরস রুলস' হায়বা অমা শেমখি। ১৯৬১, জান্যুৱারি ১ দগী চৎনবা হৌখি। রুল অসিনা হায়রি ইন্দিয়ন সিতিজেন অমনা ইন্দিয়াগী লৈনিংবা মফমদা লৈরসু, মহাক মফমদুদা লৈরিবা মীশক অমনি হায়বগী প্রমান ওইবা চে অমা (ভারাদা লৈবা ওইরসু, লৈফমদুদা মাগী মীংদা থারকপা পোষ্টেল এনভেলপ অমগুম্বা) পুথোক্লবা, মহাক মফমদুগী ভোত্তর লিষ্টতা চনবা য়ারে। ভোত্তর লিষ্টতবু চল্লবা, মীখলগী মীরেপ ওইবসু য়ারে। তৌবতবু, মহাক অতোপ্পা মফম অমগী ভোত্তর লিষ্টতা য়াওদবদি ওইগদবনি।

অদুবু কন্সটিট্যুয়েন্সি অদু কনাগুম্বা কাঙলুপঅমগী মীওইশিংগীদমক রিজর্ব তৌরবা 'সিত' নি হায়রবা, কাঙলুপ্তুগী মীওই নত্তবা ভোত্তর অমত্তনা মীরেপ ওইবা য়ারোই। খুদম ওইনা, আউতর মণিপুর পার্লিয়ামেন্তরি কন্সটিট্যুয়েন্সি। রিজর্ব কন্সটিট্যুয়েন্সি নত্তবা অমদা য়েলহৌমী নত্তবা অমনা মীহুৎ ওইহল্লোই হায়রবা, মাবু কাহন্দবা (মঙোন্দা ভোৎ পীদবা) হায়বসি নত্তনা অতোপ্পা পাম্বে লৈতে। মশীং য়াম্বা ভোত্তরনা থাদরক্লবা, মহাক্না মীহুৎ ওইখিবা তাবনি। (জিরিবামগী অসব-উদ্দিন)। কন্সটিট্যুসন অসি শেমদোক্তনা, মখোয়বু মীরেপ ওইহন্দবা হায়বসি লৈরিবা আইনসিগী মায়োক্তনি। উখ্রুলদসু, ইম্ফালদসু, বিহারদসু, থাঙমৈবন্দসু ভোত্তর লিষ্টতা মমীং য়াওবা ভোত্তর মশীং খঙদা লৈরমগনি। অচুম্বদু থিদোক্লবা মেকানিজম অমা পুথোক্তুনা, ঐখোয় নম্ফু শীজিন্নরুবা - আইন শীংনবা তাদুনা লৈঙাক্না মূক্ল রক্কনি। মীতোপ চঙশিল্লক্তুনা খুন দাশিনবা থিংঙমদ্রবা, মীতোপ্না নম্না লৈবা মফমদা মীতৈ নত্তনা মীরেপ ওইবা য়ারোই হায়বা আইন শেম্বা নত্তনা মখোয়বু মীরেপ ওইহন্দনবা পাম্বে লৈতে অতোপ্পা।

অসুম্না থোক্লিবা ৱাথোক অসি হেন্না সিরিয়স ওইরক্তনবা অমত্তা ঙায়রবা পাম্বেদি - ইন্নর লাইন পর্মিৎ সিষ্টেমগুম্বা মীতোপকী ইনফ্লক্স থিংনবা লো অমা শেন্বীয়ু হায়বা মীয়ামগী দিমান্দসি খন্নদুনা য়ানবা অমা পুরকপনি।

লৌশিং পুক্কে

# অয়ুক্তা য়েরুম অমমম চাবগী কান্নবা



নুমীৎ খুদিংগী য়েরুম অমমম চাবনা ষ্ট্রোক্কী রিস্ক হন্থহল্লি হায়বা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ষ্টদি অমদগী খঙবা ঙন্লে। প্রোটিন অমসুং ন্যুট্রিয়ন্ট মরাং কায়না য়াওবা য়েরুমনা ষ্ট্রোক্কী রিস্ক চাদা ১২ হন্থহল্লি হায়রি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মিচিগানদা লৈবা এপিদষ্টেট ইনষ্টিট্যুটকী রিছার্চর দোমিনিক অলেকজেন্দরনা হায়খি, য়েরুম অচৌবা অমগী মমুৎতা প্রোটিন, এন্টিওক্সিদেন্ট, ল্যুটিন, জিয়াজেন্টিন, ভিটামিন এ, ভিটামিন দি অমসুং ভিটামিন ঈ য়াওই। মরম অদুনা ওক্সিদেটিভ ষ্ট্রেস অমদি ইনফ্লেমেসন হন্থহনবদা মতেং পাংই।

রিছার্চরশিংনা কুমজা ১৯৮২ অমদি ২০১৫ গী মরক্তা চথুখিবা ষ্টদিশিংগী দেটা কুপ্পা নৈনদুনা য়েংলম্মী। মদুনা নুমীৎ খুদিংগী য়েরুম অমমম চাবনা কোরোনরি হার্ট দিজিজ ঙাকথোকপা ঙম্মী হায়বা খঙলকখিবনি।

য়েরুম চাবনা কোরোনরি হার্ট দিজিজ ওইহল্লকপরা হায়বদু খঙদোক্লবগীদমক রিছার্চরশিংনা মীওই ২,৭৬,০০০ তা ষ্টদি চথুখিবগা লোয়ননা য়েরুম চাবা অমদি ষ্ট্রোক্কী মরক্তা লৈনবা মরী খঙদোক্লবা মীওই ৩,০৮,০০০ দা ষ্টদি চথুরম্মী।

অমেরিকান এগ্ বোর্দকী সাইন্টিফিক রিছার্চ ৱিং ওইরিবা এগ্ ন্যুট্রিসন সেন্টরগী ইন্টরিম ইগজেক্যুটিব দিরেক্টর টিয়া এম রেন্সনা হায়খি, য়েরুম চাবনা হার্টকী লায়না ওইহল্লকই অমসুং ব্লদ প্রেসর ৱাংবা মীওইশিংনা য়েরুম চাবা ফৎতে হায়না অরানবা মওংদা থাজনরম্মী। অদুবু মালেমদা ফংলিবা খ্বাইদগী ফবা চীঞ্জাকশিংগী মনুংদা য়েরুমসু অমনি। হকচাংদা কান্নরবা পোৎলম কয়ামরুম য়াওবা য়েরুম চাবনা ইম্ম্যুন সিষ্টেম মপাঙ্গল কনখৎহনবগা লোয়ননা মীৎ ফহল্লি।

ষ্টদিগী রিপোর্ট অসি অমেরিকান কোলেজ ওফ ন্যুট্রিসনগী জর্নেলদা হন্দক্তা ফোঙলকখিবনি। ইন্দিয়াদা চহী খুদিংগী মীওই লাখ ১৬ ষ্ট্রোক্কী খুদোংচাদবা মায়োক্লরি। তোঙান তোঙানবা মরম কয়ামরুম্না মীওইবদা ষ্ট্রোক তৌহল্লকপনি। ইন্সোমনিয়া (তূম্বা য়াদবা), স্লিপ এপনিয়া (তূমথখ্রবা মতুংদা নিংশা শ্বর ফুনবা) অমসুং অতৈ স্লিপ দিসওর্দরশিংনা মীওইবদা ষ্ট্রোক্কী রিস্ক হেনগৎহল্লি। ষ্ট্রোক তৌখ্রবা নৎত্রগা ট্রান্সিয়ন্ট ইস্কেমিক এটেক হায়নসু খঙনবা মিনি- ষ্ট্রোক তৌখ্রবা মীওই খুদিংমক স্লিপ দিসওর্দর লৈবরা হায়না চেক তৌথোকপা মথৌ তাই।

জর্মনিদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি হোস্পিটাল ইসেনগী দর্ক হর্মেননা হায়খি, তূম্বা য়াদবনচিংবা স্লিপ দিসওর্দর মায়োক্লবা মীওই খুদিংমক ষ্ট্রোক্কী রিস্ক ৱাংই।

'ন্যুরোলোজি' জর্নেলগী ওনলাইন ইদিসনদা ফোঙলকখিবা ষ্টদিগী রিপোর্ট অমদা প্রোফেসার দর্ক হর্মেননা হায়খি, মপুং ওইনা স্লিপ দিসওর্দরগী মখল অনী শুই। হায়রিবা মখল অনী অদুদি স্লিপ ব্রিদিং প্রোব্লেম অমসুং স্লিপ-ৱেক দিসওর্দরনি। ইন্সোমনিয়া অমসুং রেষ্টলেস লেগ সিন্দ্রোমনচিংবা স্লিপ-ৱেক দিস-ওর্দরনা তূম্বদা অকায়বা থোকহল্লি অমসুং মপুং ফানা তূম্বা য়াহন্দে।

অমরোমদা, ইন্দ্রপ্রসথা এপোলো হোস্পিটালগী সিনিয়র কন্সলটেন্ট ন্যুরোলোজিষ্ট পি এন রেঞ্জেননা হায়খ্রে মদুদি, এয়র পোল্যুসননা মরম ওইরগা ষ্ট্রোক্কী রিস্ক হেনগৎহল্লে। নুংশিৎতা য়াওবা অমোৎপনা ঈ নঙশিহনবগা লোয়ননা ঈ উতোং কনশিলহল্লি। মসিনা মরম ওইরগা অমোৎপা মপং-মপং পৈশিল্ল-কপদগী ঈ উতোং খুজিল্লক্তুনা ষ্ট্রোক তৌরকপনি। থবক মফমদা মায়োক্ল বা ষ্ট্রেস, এঞ্জাইটি অমসুং দিপ্রেসন লোয়ননা পুন্সি মহিংগা মরী লৈনবা অতৈ মরম খরনসু ষ্ট্রোক্কী রিস্ক হেনগৎহল্লি।

ইন্দিয়াদা চহী খুদিংগী মীওই লাখ ১৬ ষ্ট্রোক তৌবগা লোয়ননা মালেমদা ষ্ট্রোক্না মরম ওইরগা শোয়নাইহল্লবা মীওই মিলিয়ন ২৬ লৈরি। ইন্দিয়াদা মী খ্বাইদগী য়াম্না শিহনবগী মতাংদা অহুমশুবা খ্বাইদগী মরুওইবা মরম ষ্ট্রোকনি।

ষ্ট্রোক্কী কেস হেনগৎলকপা মরম্না খা-নোংপোক এসিয়াগী লৈবাক-শিংনা হেল্‌থ ক্যের সিষ্টেম ফগৎহনবা মথৌ তারে হায়না ৱর্ল্ড হেল্‌থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) না হন্দক্তা ফোঙদোকখি। দব্লিয়ু ঐচ ওদা সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী রিজনল দিরেক্টর ওইরিবা পুনম খেত্রপালনা হায়খি, ষ্ট্রোক্কী মতাংদা মীপুম খুদিংমক ৱাখল তাহল্লগা মাঙজৌননা ঙাকথোকহৌনবগী থৌরাং লৌখৎপা মথৌ তারে।

লাইরবা লৈবাকশিং, মরুওইনা সাউথ এসিয়ন এসোসিএসন ফোর রিজনল কোওপরেসন (সার্ক) লৈবাকশিংদা চহী খুদিংগী মীওই মিলিয়ন ১১ ষ্ট্রোক তৌরি। মসিনা মরম ওইরদুনা চহী খুদিংগী মীওই লাখ ৪০ শিহনবগা লোয়ননা কয়া অমনা শোয়নাইহল্লি। ষ্ট্রোক তৌবদগী শিহৌদবা মীওইশিংদা অমুক হন্না ষ্ট্রোক তৌরকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংনা লৈ।

ষ্ট্রোক হায়বসি 'ব্রেন এটেক' নি। মীপুম খুদিংমক মতম অমদা হেক্তা খুদোংথীবা অসি মায়োক্ল রকপা য়াই। ব্রেন য়ৌনা চেনবা ঈগী ঈচেলদা অপনবা থোকপদগী ব্রেন সেলগী ওক্সিজেন ফংদবা মরম্না শিথরকই। সেল শিখ্রবা ব্রেনগী শরুক অদুদা কন্ট্রোল তৌরম্বা হকচাংগী কয়াৎ খুদিংমক মথৌ নীংথিনা পাঙথোকপা ঙম্লক্তে। মরুওইনা নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়াই মাঙখি অমসুং হকচাং লেঙ-ওৎপা ঙম্লক্তে।

পুন্সি মহিং শেমদোকপনা ষ্ট্রোক ঙাকথোক্লবগী মরুওইবা পাম্বেনি। দব্লিয়ু ঐচ ওগী রেক্কমেন্দেসন মতুংইন্না মীপুম খুদিংমক মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চাবগা লোয়ননা নোংমগী ঙাইহাক ঙাইহাক হকচাং শাজেল তৌগদবনি। মৈখু শীজিন্নবা অমদি য়ু থকপগী হৈনবী থাদোকপসু তঙাইফদে।

# ভাগ্যচন্দ্র দিপ্লোমেটিক ওইবা নিংথৌনি: খেমচান্দ




ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২ (ঐচএন এস): রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র য়াম্না দিপ্লোমেটিক ওইবা অমদি ক্রিয়েটিব আইদিয়া লৈবা নিংথৌনি হায়না মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লীগী স্পীকর য়ুমনাম খেমচান্দনা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র লৈখিদবগী কুমওন থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র কলচরেল ফাউন্দেসন মণিপুরগী মীৎয়েং মখাদা ২১৯ দেথ এন্নিভর্সিটি ওফ রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রনা শীন্দুনা উত্তর প্রদেশকী মথুরা দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা রাধা কুণ্ডদা পাঙথোকখিবা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র লৈখিদবগী ২১৯ লক শুবা কুমওন থৌরমদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা স্পীকর খেমচান্দনা হায়খি, রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র মণিপুরগী লৈঙাক্লোন অমসুং আর্ট এন্দ কলচর য়াওনা হীরম খুদিংদা মরুওইবা থৌদাং লৌরম্বা নিংথৌ অমনি। মণিপুরগী আর্ট এন্দ কলচরগা চুশিন্নবা মওংদা মালেমগী মফম অতৈদা লৈতবা মণিপুরগী ইনাকখুল্লবা আর্ট এন্দ কলচর কয়া পুথোক্লম্বা নিংথৌনি।

নিংথৌ অসি আর্ট এন্দ কলচর য়াওনা হীরম কয়াদা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়া য়াওনা অৱাং নোংপোক্তা লৈরিবা য়ুমলোন্নবা লমশিংগা অফবা মরী থম্নবা হোৎনরম্বা নিংথৌনি। নিংথৌ অসিগী মগুণ শিংথাবদা লোয়বা নাইরোই। থৌরম অসি তুংদা হেন্না চাউনা মায় পাক্না পাঙথোক্লবা হোৎনসি। মণিপুরীশিংবু মালেমদা অমদি লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা মশক তাক্কদৌরিবা অসিগুম্বা থৌরম অসিদা লাইনিং-লাইশোন, কাঙলুপকী খেন্নবা থাদোক্তুনা মণিপুরদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্না পুন্না অমত্তা ওইনা শরুক য়াম্নিন্নসি। ইন্দিয়াদা অচৌ-পীশক, লাইনিং-লাইশেন, অমাঙ-অশেঙগী খুদোংচাবা লৌরগা মহম্মদ ঘৌরিনা লৈবাক অসিদা মহাক্কী ওইবা মুসলিম সমাজ্য শেমগৎপা ঙমখি। মণিপুরদসু চীং-তম কায়নখিবা, চীং অমসুং তম খায়দোক্লিবা অসি অমাঙ-অশেঙ খায়বা থৌদোক্না ওইহনখি। মণিপুরনা মাঙজিন থাবা চাউখৎপা মণিপুর অমগীদমক লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্না মণিপুরগী য়াইফগদবা থবক থৌরম খুদিংদা কো-ওপরেসন পীনসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা জে এন মণিপুর দান্স একাদেমীগী দিরেক্তর এল উপেন্দ্রোনা ফোঙদোকখিবদা, রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী মগুণ অমদি মহাক্না হীরম কয়াদা লৌখিবা থৌদাং শিংথাবদা লোয়বা নাইরোই। নিংথৌ অসিনা মণিপুরদা পোক্লম্বা অসি য়াম্না লায়বক ফবা অমনি। মপান লমদা পোক্লম্লবদি মহাক্না ফাওরিবা অসিদগী হেন্না ফাওরম্বা য়াই। রাজর্ষি হায়বা মীংথোন অসি তরায়না হেক্তা পীবা য়াবা নত্তে। লৈবাক মীয়াম্না পীবা মীংথোলনি। হীরম অমদা হেক্তা ওইবা য়াই। মণিপুরদা লৈরিবা মণিপুরী অমনা য়াইফনবা শিংথাবা য়াবা থবক তৌরম্লবদি কাঙলুপকী অমদি লাইনিং লাইশোনগী ওইবা মীৎয়েং থাদোক্তুনা মখোয়না লৌরম্বা থৌদাং অদু মশক খঙবা অমদি ইকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা থবক অদুদা অমত্তা ওইনা কো-ওপরেসন পীনসি হায়নসু ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা গীতা এনালাইসিস কে ব্রজমনি, দিবোতি আর কে দুসিরি গোপালনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

# নোংমগী ওইবা লিগেল এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে, অখঙ অহৈ কয়ানা ৱা ঙাংখ্রে




ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২ (ঐচএন এস): মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটিগী স্পোন্সর মখাদা দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিস ওথোরিটি ইম্ফাল ৱেষ্ট, সোসাইটি ফোর য়ঙ জেনরেসন অপলিফমেন্ট অমদি য়ুনাইটেদ ৱার্কর এসোসিয়েসন শিংজমৈনা পুন্না শীন্দুনা ঙসি শিংজমৈ চীংঙামখা চনম পুখ্রি মপানদা লৈবা কম্ম্যুনিটি হোলদা নোংমগী ওইবা লিগেল এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা রিসোর্স পর্সন ওইখিবা এদভোকেট বি সুপ্রিয়ানা ফোঙদোকখিবদা, ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসনদা সিটিজন অমনা ফঙগদবা রাইট অমসুং দ্যুটিশিং য়াওরি। লৈরিবা রাইটশিং অসি চপ চানা ফঙলব্রা হায়বসি খন্নবা চঙই। মসিদা নুপী ওইবীশিংনা রাইট তানবা ঙমদবা কয়াসু লৈরি। নুপী হায়বসি পোক্ত্রিঙৈ পুক্নুংদগী হৌনা মরায়বক থিরে। নুপীশিংনা থৌদাং কয়া লৌফম থোকই। মেত্রিক এগজামদা ওইরবসু, মেদিকেল এগজামদা ওইরবসু নুপীনা মকোক য়াম্না তাই। অদুবু চেকশিল্লকপা মতমদা, দিসিজন লৌরমদায়দা নুপী য়াওদে। ঐখোয়গী চৎনবীদা লুহোংবগী যাত্রা পুবদা নুপা পোকপা মমানা পুহন্দুনা লাক্লি। নুপী-নুপা, ইমুংগী অহলশিংনা অহানবা পোকপা মচা অসি নুপা ওইবা পাম্লে। হৌজিক্তি নুপী পোকপা মতমদা মৈরা পায়বী থোরক্লে হায়বা মীংথোল অমসু য়াওরে। মৈরা পায়বীনা ঙসি ফাওবদা অফবা থবকশিং তৌই। ইনিদয়াগী ওইনা ফ্রি এন্দ কম্পলসরি এদ্যুকেসন এক্ট লৈরে। কুমজা ২০১০ দগী চৎনবা হৌখ্রে। হৌজিক্তি নুপা-নুপী হায়বা লৈতনা মহৈ তমদবা য়ারক্ত্রে। অঙাংশিংবু মহৈ তম্নবা মতুংদা মখোয়গী রাইট অদু ফঙগদৌরিবনি। হৌজিক্তি তোঙান তোঙানবা এক্ট কয়াসু থোরক্লে। চহী শুদ্রিবশিংনা ক্রাইম তৌবদা ফঙগদবা চৈরাক, চহী শুরবশিংনা ফঙগদবা চৈরাক কয়া লৈখ্রে। চহী শুদ্রিবা অঙাংনা লুহোংবদা মমা-মপা ফাওবা চৈরাক পীবা য়াওরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা আই এম সীগী মেয়র এল লোকেশ্বরনা চীফ গেষ্ট, আই এম সী ৱার্দ নম্বর ১৫ গী কোর্পোরেটর টিঐচ বঙ্কিমনা প্রসিদেন্ট ওইখি। ৱার্দ নম্বর ১৬ গী কোর্পোরেটর টিঐচ ইলিজা, য়ুনাইটেদ ৱার্কর এসোসিয়েসন শিংজমৈগী এদভাইজর এস নোংয়াই, এস ঈ আই সী ও ক্লব চনম পুখ্রি মপালগী প্রসিদেন্ট এল শান্তিকুমার অমদি জয়বলানা না গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

লিগেল এৱ্যেয়রনেস প্রোগ্রাম অদুদা রিসোর্স পর্সন কয়ানা তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াদা ৱা ঙাংখি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

# ঐচ আই ভি সেন্সিটিব সোসল প্রোটেক্সন স্কীমগী মতাংদা কন্সলটেসন মীটিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২২ (ঐচএন এস): মণিপুর ষ্টেট এইদস কন্ট্রোল সোসাইটি অমদি মণিপুর নেটৱার্ক ওফ পোজিটিব পীপলনা শীন্দুনা ঐচ আই ভি সেন্সিটিব সোসল প্রোটেক্সন স্কীম হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা কন্সলটেসন মীটিং অমা হোটেল ক্লাসিক্তা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা আর দি এন্দ পি আর (এস আই সী দি) এ রাজেন, অন্দর সেক্রেটরি আরদি এন্দ পি আর, এম কাপাজিৎ, ষ্টেট প্রোগ্রাম মেনেজর নেসনল রুরেল লাইফলিহুদ মীসনগী বোবী, সোসল ৱেলফেয়রগী জোইন্ট দিরেক্তর সুরেন্দর এ সিসক অমসুং দি এস ও চান্দেল এস এ খালিমনা রিসোর্স পর্সন ওইখি।

থৌরম অদুদা মেক্সকী প্রোজেক্ট দিরেক্তর ভেলেন্টিনা অরাম্বমনা ফোঙদোকখিবদা, ঐচ আই ভিগী ওইবা সোসল প্রোটেক্সন স্কীমগী কান্নবশিং অসি ফঙহন্নবগী মীৎয়েংগা লোয়ননা থৌরম অসি পাঙথোকপনি। হীরম অসিগী মতাংদা করম্না তৌরগা ফগদগে হায়বদু খন্নমিন্নবনি। হেল্‌থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র, সোসল ৱেলফেয়র, নেসনল হেল্‌থ মীসন স্কীম, আর দি এন্দ পি আর, সী এ এফ এন্দ পি দিগী মীহুৎশিং য়াওনা উনবা থৌরম অমসুনি। দিপার্টমেন্টশিংদা লৈরিবা স্কীম অসিগী মতাংদা খঙমিন্নবা চঙই।

মণিপুরদা লুখ্রাবী ২৩,০০০ হেন্না লৈরি। মসিদা করম্বা বিনিফিটশিং পীগদগে অমদি করম্না ফঙহনগনি হায়বসিদা খন্ন-নৈনবনি। লুখ্রাবী ২৩,০০০ হেন্না লৈরিবা অসিগী মনুংদা এ এ ৱাইগী এপ্লাই তৌবদা ১৫,০০০ রোমনা এপ্লাই তৌই। মসি করিদগীনো অমদি ৱাৎহৌরিবশিং অসি করিগী তৌদ্রিবনো হায়বসি এৱ্যেরনেস ৱাৎপদগী ওইরম্বা য়াই খল্লি। করম্বা মওংদা এৱ্যেরনেস পীরগা মখোয়না ফঙফম থোকপা বিনিফিটশিং ফঙগদগে হায়বসি খঙহনবা চঙই। মসিদা নত্তনা দিপার্টমেন্টশিংদা তোঙান তোঙানবা স্কীম কয়া অমসু লৈরি। পেন্সন স্কীমসু লৈ। ৱিদোশিংগী ওইবা পেন্সন স্কীমসু লৈরিবনি।

ঙসি অহানবা ওইনা অসিগুম্বা কন্সলটেসন মীটিং অসি পাঙথোকপা অসিদগী মখা তানা অমুক হেন্না খঙনবা প্রোগ্রাম ময়াম পাঙথোক্লগনি। মেক্সকী মখাদা সিঙ্গল ৱিদো স্কীম হায়বা অমসু লৈরি। মসিদা দিষ্ট্রিক্ট এইদস প্রিভেন্সন কন্ট্রোল হায়না দিষ্ট্রিক্ট খুদিংগী ওফিসরশিং লৈ। মসিদা এপ্লিকেসন পীশিল্লগা খন্ন-নৈনবা য়াগনি। দিপার্টমেন্টশিংনা পীফম থোকপা, ফঙবা য়াবা কয়া অমসু লৈ। মণিপুর এইদস প্রিভেন্সন কন্ট্রোল পোলিসিসু লৈরি। দিপার্টমেন্টশিংদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা স্কীমশিংগী খুদোংচাবশিং নীংথিনা ফঙবা ঙম্নবা হোৎনবা তাই। স্কীমশিংগী মরমদা নীংথিনা খঙনবা হোৎনবা চঙই হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসি হোটেল ক্লাসিক্তা পাঙথোকখিবা কন্সলটেসন মীটিং অদুদা অখঙ অহৈ কয়ানা হীরম অসিগী মতাংদা ৱাফম কয়াসু থম্নখি।



HL-P/2553/19,21,23,26,30Aug&3,7,15,19,23,27Sept&1,5 Oct.